**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 06-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) আইন্না য়াদবা মওংদা নোংমৈ লল্লোনবা য়াওনা লালহৌবা কয়া সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

২) মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৭নিদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী কর্তব্যাপাথতা কর্তব্যা ভবন থ্রি শঙ্গারগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা রাজ্য অসিদা নমদুনা শেল খায়বা অমদি আইন্না য়াদবা অতৈ থবক থৌওংশিং চথুবা থিংনবা থিবা হুন্বগী থবক চথুরি।

মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পৌরাবী হিদুন্বী অমসুং কৈবী খুল্লেন মখা লৈকাইদগী আইন্না য়াদবা মওংদা নোংমৈ লল্লোনবা মীওই অনি পুলিসনা ফারে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, কাপ্পা য়ারিবা নাইন এম.এমগী মরু অনি, স্কুটর অমা, মোবাইল ফোন অনি অমসুং আধার কার্দ অমা ফংখি।

মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল য়াইফ লৈকাইগী ভারাগী য়ুম অমদা লৈবা কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। মহাক

মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি নুপীশিংগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং আইনগী ৱাংমদা কিহন খঙহল্লগা শংতাইনবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফুমলৌ কৈরোই মনিং লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তিভ কাদর অমা ফারে। মহাক লালহৌলুপ অসিগী অনৌবা কাদরশিং রিক্রুট তৌবদা চেন্নবা মীওইনি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইবা মীওই ৬৩ গী মথক্তা চলান কক্তুনা পুন্না লুপা লিশিং ৯৯,৫০০ ফাইন ওইনা খোমগৎপা ঙমলে।

ইভিক্সন (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মীয়ামা লম খোপচিনবা অমদি আইনগী ৱাংমদা য়ুম-কৈ শাজিল্লিবশিং সরকারনা তকথোকপগী থবক লেপ্পা লৈতনা চখুরি। ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এম.জি. এভেন্যুগী অকোইবা মফমশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না সর্ভে অমা চখুবা হৌখ্রে।  দি.সি. ইম্ফাল ৱেষ্ট ময়াংলম্বা রাজকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা হৌজিক সর্ভে চখুরি। সর্ভে অসিদা এস.দি.ওগী ষ্টাফ, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, মহুদ অমদি সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং য়াওরি।

পিএমজেএৱাই (এল)ঃ লনাইগী হোস্পিতালশিংদা সরকারনা পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিমগী তোল্লিবা শেনফমশিং অথুবা মতমদা পীথোক্ত্রবদি থা অসিগী ১৬ তগী স্কিম অসিগী মখাদা হেলথ কার্দ পায়রিবা মীওইশিংদা ফংহল্লম্বা খুদোংচাবশিং অদু পীররোইহায়না এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস ওফ ইন্দিয়া (এ.ঐচ.পি.আই) মণিপুর চেপ্তরনা ফোংদোরক্লি।

এ.ঐচ.পি.আইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- সরকারনা লনাই হেলথ কেয়ার ইন্সটিটিয্যুসনশিংদা মতম শাংনা পীফম থোকপা রিএম্বর্সমেন্টশিং অদু পীথোকপীদবনা রাজ্য অসিদা হাংলিবা লনাই হোস্পিতাল, ক্লিনিক অমসুং দাইগোষ্টিক সেন্তরশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে।

দিআইপিআর (এল)ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না লৈবাক অসিগী ষ্টেট ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স বিভাগশিংগা পুন্না নোংমগী ওইবা নেসনেল কনফরেন্স অমা নিউ দিল্লিগী বিগ্যান ভবনদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কনফরেন্স অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদগী লাকপা ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স বিভাগকী সেকক্রেতরিশিং শরুক য়াখি। কনফরেন্স অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা দিরেক্তোরেট ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর)গী দিরেক্তর ঙাঙোম উতম সিংহ অমদি দি.আই.পি.আরগী এসিষ্টেন্ট পাব্লিসিতি ওফিসার (প্রেস) নিংথৌজম রোসন সিংহ শরুক য়াখি।

কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিংগী সেক্রেটরি সঞ্জয় জাজ্ শরুক য়াখিবা কনফরেন্স অদুদা প্রেস সেবা পোর্তেল ভারত্তা শেল য়ামা চংদবা সিনেমা, ইন্দিয়া সিনে হব পোর্তেল, ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়া অমদি কেন্দ্রগী মন্ত্রালয় অমসুং আই.পি.আর বিভাগশিংগা হেন্না মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

নোং (এল)ঃ মণিপুর য়াওনা অৰাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ ৭নিদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকে দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)না হায়- মণিপুর, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা হায়রিবা মতম অসিদা অকনবা নোং চুগনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- হিমাচল প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, উত্তর প্রদেশতা লাক্লিবা নুমিৎ হুমিদা অকনবদগী য়ামা কনবা নোং চুগনি। তামিলনাদু অমসুং কেরলাগী মফমশিংদনা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানিদা নোং কন্না চুগনি।

ৰেদর এজেন্সিগী পাউ মতুংইন্না খা থংবা পেনিনসুলা লমদমদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনিদা অকনবা নুংশিৎ শিৎকনি হায়রি।

অমরোমদা, উত্তরাখন্দগী উত্তরকাশি জিলাগী হরসিল রিজনগী ধরালি খুঙ্গংদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অখাক অরাউগা লোয়ননা অকনবা নোং চুবদগী খির

গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় খঙহেন হেনগৎলক্কুনা চাউনা অমাং অতা থোক্লে। দিষ্ট্রিক্ট ইম্মরজেন্সি ওপরেসন্স সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না ঈচাউনা অদুনা ধরালি কৈথেলদা লৈবা বিল্ডিং, হোটেল অমদি দুকান কয়া অমাং অতা থোক্লে। আর্মি, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং অতৈ মরী লৈনবা মীওইশিং কয়ানা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চখ্খরি। দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট প্রসন্ট অরিয়ানা হায়- অহানবগী ওইনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪ শিরে, মীওই কয়ানা থিবা খঙদ্রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি পুস্কার সিংহ ধমিনা সেনিয়র ওফিসিয়েলশিংগা পাউ ফাওনদুনা ফিভম অদু কুপা য়েংশিল্লি। শ্রী ধমিনা হায়- মফম অদুগী মীয়াম শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকপগী থবক চখ্খরি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোংদোকখ্রে।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী কর্তব্যাপাথতা কর্তব্যা ভবন থ্রি শঙ্গারগনি। থৌরম অদুদা শ্রী মোদিনা মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- ঙসি শঙ্গগদৌরিবা বিল্ডিং অসি সেন্ত্রেল ভিষ্টা প্রোজেক্টকী মখাদা কেন্দ্র সরকারগী কম্মন সেন্ত্রেল সেক্রেটরিয়েট বিল্ডিং কয়া শারিবা অসিগী মনুংদা অহানবা শঙ্গাবনি। কর্তব্যা ভবন থ্রি অসি স্কৱার মিতর লাখ ১ মখায় পাক চাউবা কেম্পস লৈবা মথোল ৭ অমসুং বেজমেন্ট অনি য়ালবা মোর্দন ওফিস কমপ্লেক্স অমনি। মসিদা হোম, এক্সতর্নেল এফ্যারস, রুরেল দিভলপমেন্ট, এম.এস.এম.ই, দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সননেল এন্দ ট্রেনিং, পেট্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস অমসুং প্রিন্সিপাল সাইন্তিফিক এদভাইজরশিংগী ওফিসশিং ওইগনি। মসিদা মৈ কন্নবা থৌরাং কয়া য়াওবগা লোয়ননা রিসাইক্লিংগী খুদোংচাবশিং য়াওরি। রুফ টোপ সোলর, সোলর ৱাটর হিত্তিং, এদভান্স হিত্তিং, রেন ৱাটর হরভেষ্টিং সিষ্টেম শিজিন্নদুনা চহিদা ইনর্জি চাদা ৩০ কনবা ঙমগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রসিদেন্ট রুল শাংদোকপদা রাজ্য সভানা অয়াবা পীখ্রে, মণিপুরগী ক্রাইসিস কম্যুনেল ক্রাইসিস নত্তে, হাই কোর্টনা থোকপা ওর্দর অমনা মরম ওইরগা থোকপা ক্রাইসিসনি হায়বা কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি নিত্যাইনন্দ রাইগী ৱাফম অমসুং মণিপুরগী ইরাংনা মশাগী লৌ লৈরবসু লৌ উবা ঙমদবদগী খুঙ্গংগী শেনমিৎলোনদা অচৌবা চৈথেং পীরে হায়না পাউশিং অসি নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি লিংখৎখিবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে অমদি ট্যুবরকুলোসিস ফোরম মিতিং বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবগা পাউশিং মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থা ৬ মখা শাংথনবা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনিমকা অয়াবা পীখ্রে, মণিপুর চলাইরিবা প্রসিদেন্ট রু মথং চহি ২০২৬ কী ফেব্রুৱারি ১৩ ফাওবা লৈখিগনি অমসুং জোমি অমসুং কুকি অনিগী মরক্তা য়ান্নদবা হেনগৎলক্লি। জোমিশিংনা খুন্দাবা মফমদা কুকি জো কাউন্সিলগী ওফিস হাংবা য়ারোই হায়বা পাউশিং অসিনা সনালৈবাক্কী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

প্রাইভেট হোস্পিতালশিংদা পি.এম.জে.এ.ৱাইগী স্কিম মতম খরা চৎনরক্তবা য়ারি অমসুং এম.টি.য়ুগী ১০ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখ্রে, নোর্থ ইষ্ট অপুনবগী আশাগী মঙাল ওইহনশি হায়বা রাজ্যপালগী ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ঙসিদগী কৈরাও বিত্রা সবদিভিজনগী তুলিহল সার্কলদা ইভিক্সন চথুরগনি অমসুং ললিত কলা একাদমি এৱার্দ ২০২৪-২৫ পীনবা মীওই ২০ খনগৎপদা পুখ্রম্বম প্রেমচন্দ্র য়াওরক্লে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ষ্টেট সেদ্যুল ত্রাইব কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন হাপ্পা মতমদা রাজনীতিগী এপ্পোইন্টমেন্ট ওইহনগুমশি হায়বা ত্রাইবেল য়ুথ কাউন্সিলগী ৱাফম অমসুং এন.এস.সি.এন(আই.এম)গী জেনেরেল সেক্রেটরি টি.ঐচ. মুইভা হোস্পিতালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা গানফিউ মেলগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোং টাইমসতা এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়া (এ.ঐচ.পি.আই) মণিপুর চেপ্তরনা প্রাইভেট মেদিকেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা পি.এম.জে.এ.ৱাই স্কিমগী হেলথ কার্দ মতম খরা সরকারনা তোল্লিবা শেলশিং শিংদোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনররোই হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------